# পুটিননা য়ুক্রেনদা মতম শাংনা লান শোক্লনবা শেম শারি যুএনঐচআরসিগী স্পেসল সেসনদা রসিয়া য়াওররোই

মোস্কো, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মায় পাক্লবা ফাওবদা লান মখা তানা চত্থবা য়াবগী ফিভম লৈবগা লোয়ননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুক্রেনদা মতম শাংনা লান শোক্লনবা শেম শারি হায়না যুএস ইন্টলিজেন্সনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নেসনেল ইন্টিলিজেন্সকী দিরেক্তর এব্রিল হাইনিসনা যুএস সিনেট কম্মিটিদা হায়খি, মদুদি পুটিননা হৌজিকসু দোনবাস রিজনগী ৱাংমদা মহাক্কী অতৈ পান্দমশিং ফংনবগী মীৎয়েং থল্লি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না থল্লিবা পান্দমশিংদা রসিয়াগী হৌজিক লৈরিবা কনভেন্সেল মিলিটরি কেপেবিলিটিশিংগা চান্নদবগী ফিভম অমা উবা ফঙলি।

হাইনিসনা মখা তানা হায়, ইনফ্লেসন, চান থক্লবা পোৎলমশিং ৱাৎশিল্লকপা অমদি ইনর্জিগী মমলশিং ৱাংখৎলকপগী ফিভম মরক্তা রসিয়ন লিদর অসিনা যুএস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংনা য়ুক্রেনবু শৌগৎলিবসি শোন্থরকপা য়াই হায়না পারস্বা য়াই। অদুম ওইনমক পুটিননা লান লেপ্তুবগা লোয়ননা হেন্না কনবা থৌরাংশিংদা মায় ওনশিল্লকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং শুপ্পগী রসিয়াদা লৈবাক অসিনা মখা তানা মালেমদা লৈবদা চাওনা অকিবা মায়োক্লরকপা নত্তবদি মোস্কোনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নরক্তবা য়াই হায়নসু হাইনিসনা ফোঙদোকখি।



দিফেন্স ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিগী দিরেক্তর স্কোট বেরিয়রনা সিনেটকী হিয়ারিং অদুদা হায়খি, মদুদি রসিয়নশিং অমসুং য়ুক্রেনিয়নশিংগী লান অদু অনীমক্কী মনুংদা অমগী ফেবরদা খুমাঙ চাওশিন্দবগী ফিভম অমা উবা ফঙলি।

ইনৌ নৌবা লানদা অৱাং নোংপোক থংবা খর্কিপ রিজনগী সেটলমেন্ট মরি নৌনা খুদুম চল্লে হায়না য়ুক্রেননা ক্লেম তৌখ্রবনি। য়ুক্রেনগী আর্মদ ফোর্সেসকী ক্লেম মতুং ইন্না চাকাসি টিস্কি, রুস্কি টিস্কি, রোবিসনে অমসুং বারিয়াক হায়রিবা সেটলমেন্টশিং অসি য়ুক্রেননা রসিয়দগী অমুক হন্না লৌশিল্লে।

য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা হায়রি, মদুদি য়ুক্রেননা লেপ্তুনা লানফম কয়াদা মায় পাক্লকখিবগা লোয়ননা রসিয়ন ফোর্সশিং খর্কিপতগী তপ্না তকথোক্লি। মফম অসি লান হেক হৌখিবদগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা অকনবা এটেক্টশিং চত্থদুনা লাকপনি।

অমরোমদা, মহাক্না মায় পাকপা হায়বসি চয়োলগী মনুংদা নত্তগা নুমিৎ খুদিংগী ওইনসু থোকপা য়াই হায়রদুনা য়ুক্রেনিয়নশিংনা কা হেনবা মোরেল প্রেসরগী এটমোস্ফিয়র অমা লৈহন্নবা হোৎনরোইদবনি হায়নসু প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনগী মতাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা যুএন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (যুএনঐচআরসি)গী স্পেসল সেসনদা রসিয়া শরুক য়ারোই হায়না মোস্কোদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্স পার্সন মারিয়া জখারোবানা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, লাইবক থীবদি য়ুক্রেনদা চত্থরিবা স্পেসল মিলিটরি ওপরেসন অমসুং গ্রাউন্দদা লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা ঐখোয়না পীরিবা এক্সপ্লেনেসনশিং অমদি ঐখোয়গী আর্গুমেন্টশিংবু থৌশাদবগী মওং অমা ঐখোয়না উবা ফঙই।

অসিগুম্বা ফিভম অসি রসিয়ন দেলিগেসন্না অমুক হন্না সেসন অদুদা য়াওদনবা ৱারেপ লৌরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী অকন অরিং শিংবগী থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা য়ুক্রেনদা হ্যুমেন রাইটসকী ফিভম লেপ্তুনা শোকচিল্লকপগী মতাংদা শগোলশেল নুমিত্তা স্পেসল সেসন অমা পাঙথোক্তুনা খন্নরগনি হায়না যুএনঐচআরসিনা লাউথোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা রসিয়ানা সেসন অদুদা য়াওরোই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। সেসন অদু য়ুক্রেননা হায়জবদগী পাঙথোক্কদৌরিবনি।

# বুর্কা শীজিন্নবগী দিক্রিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবা এক্তিভিষ্টশিং টালিবান ওপরেটিবশিংনা কিহনখ্রে

কাবুল, মে ১১ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানদা নুপীশিংনা য়ুমদগী মপানদা মীরক্তা থোক্লকপা মতমদা হকচাং পুম্বা কুপকদবা বুর্কা শোয়দনা শীজিন্ননবা খঙহনখিবা টালিবান রেজিম্না থোকখিবা খ্বাইদগী নৌনা দিক্রিগী মায়োক্তা কাবুলগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা নুপী রাইটস এক্তিভিষ্টশিংবু টালিবান ওপরেটিবশিংনা কিহনখ্রে।



মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অফঘান নুপীশিংনা জষ্টিস দিমান্দ তৌবা সাইনশিং পায়দুনা কেপিটেলগী লম্বীশিংদা প্রোটেষ্ট খোঙচৎ চৎখি।

টালিবান ওপরেটিবশিংনা মখোয়গী মায়োক্তা ভাইওলেন্স চত্থগনি হায়না কিহনবা লৈনা লৈনা নুপীশিং অদুনা লম্বীদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট খোঙচৎশিং অদু চৎখিবনি।

অফঘানিষ্টানস পৱারফুল ৱিমেন মুভমেন্ট কৌবা গ্রুপ অমনা থাদোরকপা ভিদিও অমদা নুপী অমনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়দা টালিবাননা তাথি তাওইবগী থৌওংশিং চত্থরক্লি। মখোয়গী থৌওং অসি অকিবগী মশকনি। করিগুম্বা ঐখোয়না লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লবদি নোংমৈ মরু রাউন্দ কাপ্লক্কনি হায়না ফাওবা ঐখোয়না কিহল্লকখি।

হৌখিবা মে ৭ তা থোকখিবা দিক্রি অদুনা অফঘান নুপীশিংদা মখোয়গী মীৎশিংদমক উহন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা কোক্তগীনা খোঙদোল ফাওবা কুপশিনগদবা বুর্কা শীজিন্ননবা রিকমেন্দ তৌখি।

অফঘান নুপী অয়াম্বনা হেদ স্কার্বশিং তোইনা শীজিন্নরবসু কাবুলগুম্বা অর্বান এরিয়াশিংদদি নুপীশিংনা মায় কুপশিন্দবা অসি তোইনা উবা ফঙই।

দিক্রি অদুবু ইন্দবা তারবদি অদুগুম্বা নুপী অদুগী মপা নত্ত্রগা খ্বাইদগী নক্লবা নুপা মরী মতা অদু অকনবা মওংদা চৈবা, জেলদা থাজিনবা নত্ত্রগা থবক্তগী লৌথোকপা ফাওবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, অফঘানিষ্টানদা হ্যুমেন রাইটসকী ফিভম লেপ্তুনা শোকচিল্লিঙৈ মরু ওইনা নুপী অমসুং নুপীমচাশিংগী রাইটসতা চাওনা শোক্লকপগী ফিভম লৈরিঙৈগী মরক্তা টালিবান রেজিমনা ইনৌ নৌনা থোক্লকখিবা দিক্রি অদুবু অফঘান কয়া অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা খুদক্তা অকনবা মওংদা ক্রিটিসাইজ তৌখি। খ্বাইদগী নৌবা দিক্রি অদুগী মখাদা অফঘান নুপীশিংনা কোক্তগীনা খোঙদোন ফাওবা কুপ্পা বুর্কা শীজিন্নবগা লোয়ননা মরম চাদনা য়ুমদগী থোক্লোইদবনি।

মসি নিংতম্না ফিজেট চাকচেৎশিং খনবা য়াহল্লিবা নুপীশিংগী ফন্দামেন্টল হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনৈ হায়না এমনেষ্টি ইন্টরনেসনেলগী সাউথ এসিয়া দিপার্টমেন্টনা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি। টালিবান রেজিম্না দিক্রি অদু ইস্যু তৌখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা দিপার্টমেন্ট অসিনা মদুবু কন্দেম তৌখিবনি।

# ‘মালেমগী ফুদ সপ্লাইদা অকায়বা থোক্লকপা য়ানা লৈরে’

ওদেষা, মে ১১ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী হিথাংফম ওদেষাদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা মিসাইল কয়া কাপশিল্লকপদগী সোপ্পিং সেন্টর অমদি দিপো অমদা হিট তৌখিবগা লোয়ননা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ মঙানা অশোক অপন নঙলে হায়না য়ুক্রেনগী আর্মদ ফের্সেসনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, রসিয়ানা য়ুক্রেনগী ব্লেক সি পোর্টশিং ব্লোকেদ তৌখিবদগী মালেমগী ফুদ সপ্লাইদা অকায়বা লাক্লগনি হায়না য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ৱার্নিং তৌখ্রে। ওদেষাদা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈদা মিসাইল কাপশিল্লকপদগী শাফগদবা মফম থীদুনা চঙজফম লৌদুনা লৈখিবা য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট চার্লস মেচেলনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা রসিয়াগী এটেক্টশিং লেপ্তুবনা মরম ওইদুনা ফুদ সপ্লাইগী থবকশিং নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদবগী ফিভম লৈরে হায়খি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনগী ব্লেক সিদা লৈরিবা হিথাংফমশিং ব্লোকেদ তৌখ্রবা মতুংদা য়ুক্রেন অমসুং ইয়ুনা হৱাই, চেঙৱাইশিং এক্সপোর্ট তৌবা য়ানবা ব্লোকেদ অদুবু লৌথোক্লবা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎননবা খন্ন-নৈনখি। রসিয়াগী অকন অরিং শিংবগী থৌওংশিংনা গ্লোবেল ফুদ ক্রাইসিস থোকহনবা থিংনবগী মতাংদা ইসিগী প্রসিদেন্টদা খন্নখি হায়না জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 261/AS&SO/TBL, Dt. 4-5-2022**

1. Saikhom Ibomcha Singh S/o (L) Tona Singh of Khangabok Awang Leikai.
2. Saikhom (O) Radha Devi W/o (L) Nabachandra Singh of Khangabok Makha Leikai.
3. Saikhom Somorendra Singh S/o Sanatomba Singh of -do-

- Applicants

-Vs-

(Late) Pattadar Saikhom Tona Singh S/o (L) Amu Singh of Khangabok.

- Opp. Party

ꯆꯩꯊꯥꯡ / **NOTICE**

Dt.6-5-2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ৩১২১ (অনৌবা) দাগ ১৬৩০ এরিয়া ১.০৮৩১ হে: চাওবা তাওথবী লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার সাইখোম তোনা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি (এপ্লিকান্ট) মখোয় অহুমগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উকতা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুগা এপ্লিকান্ট নম্বর ১ শুবনা ফংগদবা এরিয়া ০.৭৬৪০ হে: নি, ২শুবনা ফংগদবা এরিয়া ০.১৫৯০ হে:নি অমসুং ৩শুবনা ফংগদবা এরিয়া ০.১৫৯৬ হে: নি। লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/2546/12

ꯆꯩꯊꯥꯡ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛ **URGENT JOB VACANCY**

Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

*Vacancy at North East India (Male/Female)*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

*Airport Job Vacancy at Banglore, Hyderbad & Kolkata*
*(Training with 100% Placement) First Come First Chance*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |

*Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 3 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 4 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 5 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 6 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 7 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 8 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 9 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |

Last Date of Submission : 28/05/2022 — For More Information Please Contact
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm — # 7641836503 / 8794793684
Date of Interview : 30/05/2022

**Salai Unemployment Service Centre**
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking

HL-P/2667/9,11,15,16,18,21,22,23,25,26

# নোং কন্না চুবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বিন্সলেন্দ ষ্টেটতা ঈশিং ঈচাও থোক্লে, মীওই ১ শিখ্রে

সিদনি, মে ১১ (এজেন্সী): নোং কন্না অমসুং লেপ্তুনা চুবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বিন্সলেন্দ ষ্টেটতা ঈশিং ঈচাও থোক্লকখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নুপী অমা শিরম্বা থেঙনখ্রে। ঈশিং ঈচাওনা মীওই অহুম তোংবা কার অমা চেন্থখিবা মতুংদা নুপী অদু শিনা ফঙখিবনি। মশাগী চহী ৩১ শুরবী নুপী অদু মহাক্কী গাড়ী মনুংদা শিরম্বা থেংনখি অমসুং অতৈ পেসেঞ্জর অনী অদুনা লোকেল হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়রি।



ক্বিন্সলেন্দ পুলিসনা মীয়ামদা ৱার্নিং তৌরদুনা তঙাই ফদবগী নত্ত্রবদি চথোক চৎশিন তৌবা লেপ্পবা অমদি ৱেদরগী ফিভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবা ঈশিং থুল্লবা লম্বীশিংদা চৎতনবা খঙহনখি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ক্বিন্সলেন্দ ব্যুরো ওফ মেটিরোরোজি (বিওএম) না ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা নোং এমএম ১০০ হেন্না চুখি।

খ্বাইদগী কনবা নোংজু অদু নোর্থ ক্বিন্সলেন্দগী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমা ওইরিবা কাসোৱারি কোষ্টকী মৌরিলেন মিলদা রেকোর্দ তৌখি। মফম অদুদা চুখিবা নোংজুগী চাং অদু এমএম ২৪৪ ফাওবা য়ৌখি।

ইন্সুরেন্স অমসুং মোটোরিং সার্ভিসেস প্রোবাইদর অমা ওইরিবা রোয়েল ওটোমোবিল প্লক্ত ওফ ক্বিন্সলেন্দগী দেটা মতুং ইন্না নোং কন্না চুবদুনা মরম ওইদুনা ক্বিন্সলেন্দগী নোংচুপ অমসুং অৱাং থংবা শরুকশিংগী লম্বী ২০০ রোমদা ট্রাফিক কঞ্জেসন চাওনা থোকখি।

ষ্টেটকী কেপিটেল ব্রিসবেন অমসুং নক্লবা সনসাইন কোজতসু হৌখিবা অহিংদা নোং কন্না চুখি। বিওএমনা পীবা খ্বাইদগী নৌবা ফোরকাষ্টনা ব্রিসবেনদা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা নোং এমএম ৫০ দগী ৮০ ফাওবা চুবা য়াই অমসুং শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা এমএম ৫০ গী মখাদা হন্থরকপা য়াই হায়খি।

নোং কন্না চুবা অমদি খঙহৌদনা মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোক্লকপদুনা ক্বিন্সলেন্দগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা মীয়াম্না ষ্টেট ইমর্জেন্সি সার্ভিসতা মতেং পাঙবীয়ু হায়না তোইনা হায়জরকখি।

নোং লেপ্তুনা চুবগা লোয়ননা পাক শন্না ঈশিং ঈচাও থোক্লকপা য়াবগী ফিভমগীদমক ষ্টেট শীনবা থুংনা লোকেল ভোলুন্টিয়রশিং থোক্লক্তুনা শেম শানখি।

# মীখলগী মাঙওইননা নেপালনা বোর্দর থিংজিনখ্রে

কাঠমান্দু, মে ১১ (এজেন্সী): ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকেল মীখলশিংগী মাঙওইননা নেপালনা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগা লোন্নবা ইন্টরনেসনেল বোর্দরশিং পুং ৭২ চুপ্না থিংজিল্লগনি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়, লোকেল য়ুনিট ৭৫৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবগীদমক গভর্নমেন্টনা ইন্টরনেসনেল বোর্দরশিং থিঙজিন্নবা ৱারেপ লৌবনি।

মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্স মেন খনিন্দ্র মনি পোখরেলনা হায়, রিকমেন্দেসনশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগা লোন্নরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসশিংদা দিরেক্তিব অমা ইস্যু তৌখ্রে। হায়রিবা পুং ৭২ দুগী মনুংদা ইর্মর্জেন্সি সার্ভিস খক্তমক নত্তনা অতৈ মুভমেন্ট পুম্নমক লেপ্পনবা থংনবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু খঙহনখ্রে। চহী মঙা লেপ্লুরবা মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইরাই নুমিৎকী মীখলদুগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শেম শানখ্রবনি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 109/SDC/IW-L/2022**

1) Lourembam Jamuna Devi, W/o (L) Lourembam Mangi Singh of Loitangkhunou Maning Leikai
2) -do- Nirmala Devi, D/o (L) -do- of -do- — Petitioners

-VS-

Late Lourembam Mangi Singh, S/o (L) Joyo Singh of Loitangkhunou — OP/Party

ꯆꯩꯊꯥꯡ / **NOTICE**

9-5-2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লৌরেম্বম মঙ্গি সিংহ পী: মৃ: জোয়ো সিংহ সাং লোইতাং খুনৌগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৬-ফুন্নৌগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৩১ দাগ নং ২১১৪ এরিয়া ২.৫৩ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/2690/12

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST LAMSANG**

**Ref :- Mutation Case No. 108/SDC/IW-L/2022**

1) Lourembam Jamuna Devi, W/o (L) Lourembam Mangi Singh of Loitangkhunou Maning Leikai
2) -do- Nirmala Devi, D/o (L) -do- of -do- — Petitioners

-VS-

Late Lourembam Mangi Singh, S/o (L) Joyo Singh of Loitangkhunou — OP/Party

ꯆꯩꯊꯥꯡ / **NOTICE**

9-5-2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার লৌরেম্বম মঙ্গি সিংহ পী: মৃ: জোয়ো সিংহ সাং লোইতাং খুনৌগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৪৯-ময়াংলাংজিংগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৭৪ দাগ নং ১০৬০ এরিয়া মৃ:পাট্টাদারগী শরুক ০.৬২ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
IW-Lamsang

HL-P/2690/12

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET
1st POSITION HOLDER — 2nd POSITION HOLDER
ADMISSION OPEN
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START :18th May, 25th May,30th May 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
TEACHERS WANTED PHYSICS,CHEMISTRY,BIOLOGY M.sc. working in CBSE school
HL-B/7641/12/5-9/7

# ষ্টাফ ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ফ্লাইট ৪০০০ কেন্সেল তৌরগনি



ওপনহেগন, মে ১১ (এজেন্সী): ষ্টাফ ৱাৎপা অমদি এয়র ক্রাফট দেলিভরিশিং থিন্থবনা মরম ওইদুনা দেনমার্ক, নোর্ৱে অমসুং স্বিদেনগী ফ্লেগ করিয়র স্কেনদিনাভিয়ন এয়রলাইন্সনা হন্দক্কী সম্মর অসিদা ফ্লাইট ৪০০০ রোম কেন্সেল তৌরগনি হায়না স্বিদিস ফাইনান্সিএল দেলি দাগেন্স ইন্দষ্ট্রি (দিআই) না রিপোর্ট অমদা হায়রি।

দিআইগী রিপোর্ট অদু পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ষ্টাফ কা হেন্না ৱাৎলক্লিবদু কোভিদ পেন্দেমিক্লা মরম ওইদুননি। পেন্দেমিক অসি লাকপদগী ইন্টরনেসনেল অমসুং দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিংগী দিমান্দ কা হেন্না হন্থরকখিবগা লোয়ননা এমপ্লোয়ি ৫০০০ থবক লেপহনখি।

ষ্টোকহোমদা হেদ ক্বার্টর ওইবা এয়রলাইন অদুগী ওফিসিএল অমনা হায়, পেসেঞ্জরশিং পন্দুনা লৈহন্দনবগীদমক কেন্সেল তৌরবা ফ্লাইট অয়াম্বা নুমিৎতুগী ওইনা রিসেদ্যুল তৌগনি। এয়রলাইন্স অসিনা শেল থুমগী খুদোংচাদবা ফিভম অমা মায়োক্লরে হায়না লাউথোরকখিবা মতুং থা অহুম ফাদবা মতমগী মনুংদা ফ্লাইট কেন্সেল তৌবগী ৱাফম অসি লাকখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা রিলিজ তৌখিবা ইন্টরিয়ম ফাইনান্সিএল রিপোর্ট অমনা কুমজা ২০২১ গী নবেম্বরদগী কুমজা ২০২২ গী জনুৱারী ফাওবগী ওইনা কম্পেনি অসিগী আর্নিংশিং টেক্স য়াওদনা নেগেটিব স্বিদিজ ক্রাউন্দ বিলিয়ন ২.৬ (দোল্লর মিলিয়ন ২৬০) নি হায়বসি উৎখি।

কোভিদ পেন্দেমিক লাক্ত্রিঙৈ কুমজা ২০১৯ গী হায়রিবা মতম অসিদা চাংদম্নবদা অপূনবা রিভেন্যুগী চাং চাদ ৪২ হন্থখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 77/SDC/(WKG)/2022 date 11/05/2022**

App :- Ningthoujam Deva Singh S/o Late Ningthoujam Birmangol Singh of Nongmaikhong Mayai Leikai.

-Vs-

Opp :- 1. (Late) Ningthoujam Birmangol Singh S/o (L) Bokunjao Singh of Nongmaikhong
2. Ningthoujam Member Singh S/o (L) -do- of -do-
3. Ningthoujam Babuyaima Singh S/o (L) -do- of -do-
4. Ningthoujam Gulap Singh S/o (L) Yaima Singh of Nongmaikhong.

ꯆꯩꯊꯥꯡ / **NOTICE**

Dated, 11th May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৪-অরোং পাট্টা নং ১৭৭/৩৮ (অনৌবা) দাগ নং ১০৪২ এরিয়া ১.০২ একর চাওবা অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/2697/12

CUET COMMON UNIVERSITY Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)
FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 15 May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- (9.30am - 2.00 pm - 3.15 pm)
NTA CUET (UG) Common University Entrance Test 2022
Under Graduate Tests for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)
SPECIAL FEATURES:-
1) CUET-22 SLOT-1 Session
2) CUET-22 Mock Test Session
3) Supply Study Materials
3) CUET-CBT Practice Session
For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, (7:00 am - 3:00pm), Contact No.-8258013846
HL-B/7608/5-12